ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
Refreshingly Reliable
HUEIYEN LANPAO
হুইয়েন লানপাউ
The messenger of the masses

খাঙবোক্তা লৈবা ৱিজদম ফাউন্দেসন স্কুলগী বোর্দিংদা ক্লাস টেন তম্লিবা মহেরোয় অমা শিখিবা থৌদোক্কী মতাংদা খোইশাউনরবা মীয়াম্না স্কুল অসিদা থোমজিল্লকখিবা লামায় ১

মণিপুর ষ্টেট যোগা এসোসিএসন, বি এস টি এন্দ পি ৱাই এস মণিপুর, পেরা বিদ্যা যোগা সন্সথা মণিপুর য়ুনিট, দি ৱাই টি আর এনা শীন্দুনা কৈশামথোং কৈথেলদা চেকশিন মীফম ফন্বা লামায় ৪

কম্যুনিটি মেক দ দিফরেন্স হায়বা থিমদা মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড এইদস দেগী থৌরমগা মরী লৈননা চৎখিবা খোঙচৎ লামায় ১

ইম্ফাল ইষ্ট কম্যান্দো অমদি ৬শুবা অসাম রাইফলসকী কম্বাইন্দ ফোর্স অমনা খাবম চুম্ব্রেথোংগী সলাই এগ্রো ফ্লোর মিলগী মমাংদগী নোংমৈগা কোন্ননা ফাগৎখ্রবা নোংমৈ লল্লোনবনি হায়বা মীওই অনী লামায় ১

Vol. 43, Issue No.244 নিংথৌকাবা, পোইনুগী ৬নি পানবা অপুনবা লামায় মশীং ১২ HUEIYEN LANPAO, Monday, December 02, 2019, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

নোংমৈ লল্লোনবা মীওই অনি এ কে ৫৬ রাইফলগা কোন্ননা ফারে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট কম্যান্দো অমদি ৬শুবা অসাম রাইফলসকী কম্বাইন্দ ফোর্স অমনা ঙসি অয়ুক হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা খাবম চুম্ব্রেথোংগী সলাই এগ্রো ফ্লোর মিলগী মমাংদগী কার অমদা লাকপা নোংমৈ লল্লোনবা মীওই অনি এ কে ৫৬ রাইফলগা কোন্ননা ফারে হায়রি। *মখা লামায় ৩ কলম ২*

HL Poll

Q: Manipur leingakna HIV/AIDS ka sagonnaduna leiriba meeoisinggidamak matik chaba thabak paikhatli khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Meitei cheng kg 1 da lupa 52 yourakpa ashi leingakna matik chaba thabak paikhattabadagi yourakpani khanbra?

Yes 87% No 13%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩ দা

Important Phone Nos.

RIMS	2414478
J.N. Hospital	2450385
DG Control	2450100

FIRE SERVICE

Imphal	101
Moirang	8415925197
Churachandpur	8415925191
Thoubal	8415925203
Kakching	8415925194
Jiribam	8415925193
Mayang Imphal	8415925196
Bishnupur	8415925190
Moreh	8415925198
Kangpokpi	8415925195
Ukhrul	8415925205
Senapati	8415925199
Chandel	8415925192
Singhat	8415925201
Sugnu	8415925202
Yairipok	8415925206

ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২৫ °C খ্বাইদগী ঈংবা ১২ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৪২
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৫

Today's Flights Timing (Non Stop only)

IMPHAL →	DELHI
Air Asia (India)	13:45
IndiGO	14:30
IMPHAL →	**GUWAHATI**
IndiGO	09:45
Air Asia (India)	11:15
IndiGO	14:15
Air India	14:20
IMPHAL →	**KOLKATA**
IndiGO	10:50
IndiGO	14:25
Air India	15:10
IndiGO	15:20

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	79.097585
US Dollar	71.792514
British Pound	92.809054
Australian Dollar	48.528278
Chinese Yuan Renminbi	10.208532
Japanese Yen	0.655666
Malaysian Ringgit	17.186614
Australian Dollar	48.528278
Singapore Dollar	52.483625
South Korean Won	0.060788
Saudi Arabian Riyal	19.144670
Thai Baht	2.378689
Myanmar Kyat	0.04767
Bangladesh Taka	0.84536

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	38994.65
Mumbai	–	Rs	39893.05
Delhi	–	Rs	39786.10
Kolkata	–	Rs	40213.90

অস! লোইরেহে!

- ঐদি ফেষ্টিভেলদা য়াম্না ঙাওজে, করি করম্বা ফেষ্টিভেল তৌসিগে তাদখোয় !

- [illegible]



- ঐখোয় নুপী থিবা খঙদ্রিবা ময়ামসিগীসু ফেষ্টিভেল অমত্তা পাঙথোকপীয়ু!

- [illegible]

মণিপুরদা স্লাউটর হাউস অমত্তা লৈতবনা শা চাবদা খুদোংথীনিংঙাই ওইরি

কৈচা খুমনঙম্বা

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১(ঐচ এন এস): মণিপুরদা স্লাউটর হাউস অমত্তা লৈতবনা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা য়োল্লিবা শেমদোক্লবা শাদোংশিং চাবদা মীওইবগী হকচাংদা খুদোংথীনিংঙাই ওইরি। হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লসু অখন্নবা থৌরাং থৌশিল লৌখৎপগী মমি তাদ্রি।

লমদম অসিগী মফম কয়াদা ওক, হামেং য়াওনা মীওইবনা চীঙাক ওইনা চানরিবা শাশিংগী শেমদোক্লবা শাদোংশিং য়োন্নরি। অদুবু লায়না-তিন্না চেন্দ্রা হায়বা চেক তৌরবা মতুংদা চীঙাক ওইনরিবা শা মখলশিং অদু হাৎতুনা শাদোংশিং শেমশাগদবা স্লাউটর হাউস অমত্তা লমদম অসিদা লৈতবনা কৈথেলদা য়োল্লিবা শাদোংশিং অসিবু চারিবা মীওইশিংদা হকশেলগী ওইবা মখল মখা কয়াগী খুদোংথীবা থেংনহন্নবগী মরম অমা ওইরি।

ফুদ সেফটি এন্দ ষ্টেন্দর্দস (লাইসেন্সিং এন্দ রেজিষ্ট্রেসন ওফ ফুদ বিজনেস) রেগুলেসন্স ২০১১গী মতুংইন্না চানবগীদমক য়োল্লিবা শা খুদিংমক লাইসেন্স পায়বা স্লাউটর হাউস অমদা হাৎতুনা শেম শাবা শাদোংশিং ওইগদবনি। লোয়নন্না স্লাউটর হাউস অদুদা লৈগদবা চৎনকাঙলোন, শা হাৎত্রিঙৈ অমদি হাৎলবা মতুংদা পাঙথোক্কদবা প্রোসিদ্যুর কয়াসু ময়েক শেংনা পীরি।

রেগ্যুলেসন্স অসিগী মতুংইন্না স্লাউটর হাউস অদু মনা-মশিং, ঙা অমদি অতৈ চানবা পোৎলমশিংগা কৈথেলগা পৃন্দবা মফমদা লৈগদবনি অমদি নমথিবা মনম, উফুল ৱাইফুল নৎত্রগনা অতৈ অমোৎপা পোৎলমশিং অমত্তা লৈহল্লোইদবনি। তোঙান-তোঙানবা শা মখল খুদিংমক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমশিং লৈগদবনি। করিগুম্বা শা অমা হাৎতুনা শাদোং শেল্লবা মতুংদা স্লাউটর হাউস অদু য়াম্না শেংনা শেংদোক চামথোকপা, কংহনবা অমদি সেনিটাইজ তৌগদবনি। মসিতা নত্তনা তৌগদবা তৌরোইদবা, ওইফম থোকপা মওং-মতৌনচিংবা কয়া অমসু রেগ্যুলেসন্স অসিদা য়াওরি। স্লাউটর হাউস অদুদা হয়িং, উচি, উতীন অমদি অতৈ তীল-কাঙশিং ইন্দনবা চেকশিন থৌরাংশু লৌখৎকদবনি। লৌনগনবা লায়নানা নাবা মীওই অমত্তা স্লাউটর হাউসতা থবক শূবা য়াদে।

রেগ্যুলেসন্স অসিগী মতুংইন্না শা অদু হাৎত্রিঙৈ ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

‘চপ চাবা ৱাফম অমা খঙদ্রিবা ফাওবা লেপ্পা লৈতনা খোঙজং চঙশিনখিগনি’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১(ঐচ এন এস): য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা সী এ বিগী মতাংদা অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং উনদুনা খন্নখ্রবসু মণিপুর পীপল এগেনষ্ট সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল (মেনপেক) দি ইনভাইট তৌরকখিদবা অমসুং সী এ বিনা অৱাং-নোংপোক্কী আই এল পি অমসুং সিক্স সেদ্যুল চৎনবা মফমশিং কোনশিল্লোই হায়বা ৱাফম কয়া থল্লকখিবা অসিগা মরী লৈননা ঙসি চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা মেনপেককী মীহুৎশিংগা উনদুনা ৱারী শানখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটতা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদগী চীফ মিনিষ্টরগা উনরুরবা মতুংদা মেনপেককী কনভিনর য়ুম্নামচা দিলিপকুমারনা হায়খি, চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগা উনবা অদুদা মেনপেককী মায়কৈদগী হান্নদগী হৌনা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট পুম্নমক্তা সী এ বি চৎনবা য়ারোই হায়না লেপ্পলকখিবা ফিরেপ অদু হোংবা লৈতে হায়বা ৱাফম থমখি। মসিদসু নৎতনা লমদম অসিবু ঙাকথোকচবা য়াবা লো অমত্তা লৈতবনা মণিপুরদা করিগুম্বা ফিভম অমত্তদা সী এ বি চৎনহন্দনবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টদা য়াম্না কন্না তকশিনবীয়ু হায়বা ৱাফম থমখি। মদুদা চীফ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী মণিপুর গভর্ণমেন্টনা সেন্টরদা য়াম্না কন্না তকশিনবগা লোয়ননা মণিপুরগী প্রোটেক্টিভ ক্লোজ অমসু হাপচিন্নবা প্রপোজল অমা থাখ্রে। *মখা লামায় ৩ কলম ৪*

মেনপেকনা লৌরকপা ৱারেপশিং সী এস ওশিংনা শৌগৎপা য়াওনা ৱারেপ ৪ লৌখ্রে

MANPAC
Manipur People Against Citizenship (Amendment) Bill, 2016
H.Q. IMPHAL, MANIPUR

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১(ঐচ এন এস): সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল য়ানিংদবগী চঙশিল্লিবা খোঙজংগী মতাংদা ঙসি মণিপুর পীপল এগেনষ্ট সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল (মেনপেক) অমদি মেনপেকক্বা পূন্না চৎমিন্নরিবা লুপ ৮৮গী মীহুৎশিং শরুক য়াদুনা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা মেনপেককী এগজিক্যুটিভ কাউন্সিলনা লৌরকপা ৱারেপশিং লুপ খুদিংমক্না শৌগৎপা য়াওনা তোঙান-তোঙানবা ৱারেপ মরি লৌখ্রে।

ক্বাকৈথেলদা লৈবা অমুকোগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা মেনপেককী কনভিনর য়ুম্নামচা দিলিপকুমার, ...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

বোর্দিংদা লৈবা মহেরোয় অমা শিরে, মীয়াম থোমজিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১(ঐচ এন এস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খাঙবোক্তা লৈবা ৱিজদম ফাউন্দেসনগী বোর্দিংদা ক্লাস টেন তম্লিবা স্কুল অসিগী মহেরোয় অমা ঙসি মৈনা চিংবনি হায়বা থৌদোক্তা শিরে হায়রি।

লৈখিদ্রবা মহেরোয় অদুদি য়াইরিপোক তুলিহল কোঞ্জিন লৈকাইদগী এম দি তারিক অজিজ এলিয়স সাইন্টিষ্ট (১৫) অপোকপা এম দি জমারুদ্দিন কৌই। মীশি অদু চিংননিংঙাই ওই হায়দুনা মীয়াম ঈরাং হৌরক্লুনা স্কুল অসিদা থোমজিল্লকখ্রে। পুলিসনা থোমজিল্লকখিবা মীয়াম অদু স্মোক বোম কাপ্লুনা তানখায়খ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকপদা ঙসি নুংথিল পুং ১ রোম তারকপা মতমদা স্কুল ওথোরিটিগী মায়কৈদগী থৌদোক অসিগী মতাংদা ইমুং-মনুংদা পাউ পীরকখি। ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা থৌবাল হোস্পিটাল য়ৌরকপা মতমদদি মহেরোয় অসি শিদুনা লৈরম্লে। মতম অদুদা স্কুল অসিগী থৌদাং লৌবা ঙম্বা মীওই অমত্তা হোস্পিটালদা লৈরমখিদে। ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা দোক্তরগা ৱারী শানবদা মহেরোয় অসি হোস্পিটাল য়ৌরকপা মতমদা অশিবা হকচাং ওইনা পুখৎলকখি হায়বা ৱাফম থল্লকখি। স্কুল ওথোরিটিগী মায়কৈদগী মহেরোয় অসি মৈনা চিংবা থৌদোক্তা শিবা ওইগনি হায়রিবা অসি য়াম্না চিংননিংঙাই ওই হায়নসু ইমুং-মনুংনা ...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

অসাম রাইফলসনা মীওই ৭ হাৎখিবা থৌদোক্কী কেসতা সী বি আইনা ক্লোজর রিপোর্ট থাগৎলক্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১(ঐচ এন এস): ঙসিদগীনা চহী ১০ রোমগী মমাং কুমজা ২০০৯গী ওক্টোবর ৩১গা নবেম্বর ১গগী লোন্নবা অহিংদা ২৮শুবা অসাম রাইফলসনা অন্দ্রো সনাপাৎ থুমখোঙগী মফম অমদা খূৎথোক্লবনি হায়দুনা মীওই ৭ নোংমৈনা কাপ্লুনা হাৎখিবা থৌদোক্কী মতাংদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)না তোঙান-তোঙানবা কেসশিং লৌখৎতুনা ইনভেষ্টিগেসন চথরুরগা কোর্টতনা ফেক-এনকাউন্টরগী মতীক চাবা ইভিদেন্সশিং ফংদে হায়দুনা কেসসিগী ফাইনেল রিপোর্টতা ক্লোজর রিপোর্ট ওইনা থাগৎলকখ্রে।

থৌদোক অসিদা অসাম রাইফলসকী মখূৎতা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুনা ওইনাম অনন্দ মৈতৈ, অপোকপা ও য়াইমা মৈতৈ, ঈশিখা ময়াই লৈকাই, ওইনাম পাকপাক এলিয়স মাইপাকসনা অপোকপা ও ভিমো, ঈশিখা ময়াই লৈকাই, লাইশ্রম বোইচা অপোকপা এল কুমার, সৈজাং অৱাং লৈকাই, চিঙ্গাংবম গোগো অপোকপা লৈখিদ্রবা সী ঐচ তোম্বা, লোইতাং খুল্লেন অৱাং লৈকাই, সিনাম রতনকুমার মৈতৈ অপোকপা এস থম্বালজাও, তেন্দোংয়ান অমসুং মমিং-মথা খঙবা ঙমদবদগী ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল (আই এম সী)না দিস্পোজ তৌখ্রবা মীওই অনীগনি।

থৌদোক অসিসু ঈভফম অমসুং ঐচ আর এনা নৌহৌননা থিজিলহনবীনবা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফাইল তৌখিবা রিট পিটিসন (ক্রিমিনেল) নম্বর- ১২৯ ওফ ২০১২দা য়াওখিবনি। পিটিসন অসিদা মণিপুরদা থোকখিবা এনকাউন্টর/ কষ্টদিয়েল দেঠকী থৌদোকশিংগী মনুংদগী কেস ১৫২৮বু রি-ইনভেষ্টিগেসন তৌহনবীনবা হায়জখিবনি।

সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা ক্রিমিনেল পিটিসন অসি লৌখৎলগা মসিগী ৱায়েল চথরগা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা জুলাই ১৪, ২০১৭তা পীখিবনি। ওর্দর অসিদা মীওই ৭ হাৎখিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা সী বি আইদা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) অমা শেল্লগা থিজিন্নবা খঙহনখিবনি।

কোর্টকী ওর্দর অসিগী মতুংইন্না সী বি আইনা তোঙান-তোঙানবা কেস অহুম ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

ষ্টেটসিগা চূনবা মওংদা এইদস পোলিসি পুথোক্লবা হোৎনরি : হেল্থ মিনিষ্টর

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১ (ঐচ এন এস) : ষ্টেটসিগা চূনবা মওংদা এইদস পোলিসি পুথোক্লবা হোৎনরি হায়না হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ঙসি অহানবা মণিপুর রাইফলসকী গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড এইদস দেগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

কম্যুনিটি মেক দ দিফরেন্স হায়বা থিমদা মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরমদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, মীওইবনা হেক লৈরিমখৈ অনা-লায়েংগী সেক্টর অসি য়াম্না মরুওইবা শরুক অমা ওইদুনা লৈরগনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হেল্থ সেক্টরদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙলি। ষ্টেটসিগা চূনবা মওংদা এইদস পোলিসি পুথোক্লবা হোৎনরি। পোলিসি অসি পুথোক্তুনা থবক ওইনা পায়খৎলকপা মতমদা হাপচিনবা য়াবা কয়া অমসু হাপচিনবা য়াগনি। ঐচ আই ভি/এইদসকা শাগোন্নদুনা লৈরিবশিংগী এ আর টিনচিংবা হীদাক লাংথকশিং নাকোগী খুথাংদা পীথরকপনি। হীদাক লাংথকশিং অসি বফর ষ্টোকতা লৈহন্নবা দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী মরী লৈনবশিংদা খঙহন্দুনা হোৎনবা য়াবা হোৎনরি। অসিগুম্বা হীদাক লাংথক অসি ৱাৎহন্দনা মতম চানা ফংহনবা তঙাইফদে। এ আর টি চারিবা মীওইশিংগীদমক ন্যুট্রিসন অসিসু য়াম্না মরুওইবা শরুক অমনি। ন্যুট্রিসন বেকঅপ লৈহন্নবা করি হাপচিনবা য়াবগে হায়বদু য়েংশিনগনি। ঐচ আই ভি এইদস থেংনবদা লমদমসিদা লৈরিবা ঐখোয় পুম্নমক্না অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবা চঙই।

কুমজা ২০৩০ ফাওবদা ঐচ আই ভি এইদস ইরাদিকেট তৌনবা হোৎনসি। মসিদা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিং অমদি এন জি ওশিং খূৎশম্নদুনা থবক পায়খৎমিন্নবা চঙই। কম্যুনিটি পার্টিসিপেসন হায়বসি য়াম্না মরুওইবা শরুক অমনি। ষ্টিগমা লৈহন্দনবা হোৎনবা তাই। মণিপুর অসি ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

খাঙেম্বম অচৌ হাৎপদা চেন্নবশিংগী ইমুংগী মীওইশিং চঙজফম পীবা য়ারোই হায়দুনা রেল্লি চৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১(ঐচ এন এস): ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তারকপদগী হৌরদুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কুম্বী পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কুম্বী সেতুপুর ময়াই লৈকাইগী মীয়াম্না লৈকাইসিদগী খাঙেম্বম অচৌবু হাৎখিবা থৌদোক্তা চেন্নবা মীওইশিংগী ইমুংগী মীওইশিং লৈকাই অসিদা চঙহনবা য়ারোই হায়বগী দিমান্দদা রেল্লি চৎখ্রে হায়রি।

লৈকাইসিগী নুপীশিংনা নম্না শরুক য়াদুনা চৎখিবা রেল্লি অসিদা চাওরাক্না মীওই ১০০ রোম্না শরুক য়াখি। অদুগা লৈকাই অসিগী অকোয়বদা নুমিদাংগী পুং ৯ হেল্লকপা ফাওবদা চৎখিবনি হায়রি।

রেল্লি অসিদা শরুক য়াখিবা লৈখিদ্রবা কে ঐচ অচৌগী মচিন-মনাও থোকপা মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদা, নুমীৎ খরনিগী মমাংদগী থৌদোক অসিদা চেন্নবদগী পুলিসনা ফারগা জেলদা থল্লক্লিবা মীওই মঙাগী ইমুংগী মীওইশিং মখোয়গী য়ূমশিং মৈ থাদোকখ্রবা ইখ্লোল অসিদা চঙলক্লুনা লৈরনি হায়বা ৱাহৌদগী ঙসি নুমিদাং লৈকাইগী মীয়াম্না রেল্লি অসি ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

থিংবাইজম শ্যামচান্দ, খুরাই নিংথৌবুং লৈকায়

নাগা পিছ টোক্না মণিপুর কায়রগদ্রা হায়দুনা মীয়াম্না মিপাইরিবা ফীভমসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না নাকল নাম্মতগী ওইবা ৱাতমক তাবীবগী মহুৎতা অনীমক্কী ৱা তাবীদুনা অমসু-অমসু কায়দনবা অমদি তুং কোয়বা অফবা মরী অমা লৈহৌগদবা মওংদা পিছ টোক অসিগী ৱারোইশিন পুরকহন্নিংই। করিগুম্বা লমদম অসিদা সী এ বি চৎনহল্লক্লবদি মণিপুরদা লৈরিবা য়েলহৌমিশিংদা য়াম্না কায়রক্কদবা ৱাফম ওইবনা লৈঙাক্না ইস্যু অসিবু য়াম্না লুম্না লৌহন্নিংই। মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা মীপুম খুদিংমক্লসু মফম মতম চানা মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না ৱাখল্লোনদা তুংইন্ননা চৎলগা খোঙজং চঙশিনমিন্নসি। মদু নৎতবীদা ঐখোয় মশেল ৱাখল তামিন্নদুনা ইমা লৈবাক্কীদমক মুক্লবা য়াওদনা অমত্তা ওইনা পূন্না খোঙজং চঙশিনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

এম দি অব্দুল মনাল, থৌবাল মোইজিং

মণিপুরদা কোংগ্রেস, বি জে পি নৎত্রগা নেসনল পোলিটিকেল পার্টি অমনা লৈঙাক পায়রিবমখৈ লমদমসিদা লৈরিবা প্রোব্লেমশিং অসি লেপ্পা লৈতনা থেংনখিগনি। মরম অসিনা মণিপুরদা রিজনেল পার্টিগী মপাঙ্গল কনখৎহনবা মথৌ তাই। মীয়ামগী ৱাকৎ রিজনেল পার্টি খক্তনা তাবীগনি। ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না রিজনেল পার্টিনা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়হন্দনবা অমদি সী এ বি চৎনহন্দনবা ঈহৌ খূদিংমক্তা অচৌবা থৌদাং লৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। করিগুম্বা সেন্টরনা লমদম অসিগী মীয়ামগী খোল্লাউ তাবীদ্রগসু মীয়ামগী অপাম্বা য়েংলগা রিজনেল পার্টিগী মীহুৎশিংনা ফম থাদোকপা ঙমগনি হায়বসি অচেৎপা থাজবনি। লমদম অসিদা তংদু লৈতাদবা ফীভম কয়া লাকহল্লিবসি করিদগীনো হায়বদু পুম্নমক্না খঙমিন্নসি।

নাওরেম গোবিন, নোংপোক কৈথেলমানবী

পিছ টোক অমসুং সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল (সী এ বি)না মরম ওইরগা লমদমসিদা তংদু লৈতাদবা ফীভম অমা লাকহল্লি। অসিগুম্বা লৈবাক্কী লুরবা তাঞ্জা অসিদা মীয়াম্নসু ঈহৌ কয়া হৌরিবিনি। চৈরক অসিদা মণিপুর অমসুং ম্যান্মারগা তায়নবদা লৈরিবা বোর্দর পিল্লর ৮২ অমসুং ৮৩গী মরক্তা সবসিদরি পিল্লর ১৫ য়ুংননবা হোৎনরম্লে হায়রিবা অসি য়াম্নমক চেকশিন্নিংঙাই ওই। মণিপুর অপূনবগী শক্তম কায়হন্দনবা চীংমী-তম্মী পূন্না হোৎনমিন্নসি। নাগাগী ইস্যু ৱারোইশিন পুরক্কদৌরিবা অমদি সী এ বি চৎনহন্নবা থৌরাং তৌরক্লিবা অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্লসু মীয়ামগী ঈহুল খঙনা মতীক চাবা থবক তৌহন্নিংই। লোয়ননা মণিপুরগী তুংগী য়াইফগদবা লম্বী অমা লৈঙাক্না শেমহন্নিংই।

অদোমগী মরুওইবা কমেন্টশিং ৱাটসএপ্ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com দা থাবিরকউ।

মিনিষ্ট্রিএল টিমনা তুংজোইগী চয়েৎনরিবা মফম য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১(ঐচ এন এস): মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ তায়নরিবা সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তুংজোই ভিজেলগী মাই চীংগী চয়েৎনরিবা মফম ঙসি মণিপুর লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রিএল টিম অমনা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

পি ঐচ ঈ দি, প্রিন্টিং এন্দ ষ্টেসনরিগী মিনিষ্টর লোসি দিখোনা লুচিংদুনা তুংজোইগী চয়েৎনরিবা মফম য়েংশিনখিবা অদুদা সী এ এফ এন্দ পি দি অমসুং রেভিন্যু মিনিষ্টর করাম শ্যাম অমদি ট্রাইবেল এফেয়র্স এন্দ হিলসকী মিনিষ্টর কাইসি, মণিপুর পুলিসগী এ দি জি পি (ওপস) এল কাইলুন, সেনাপটিগী দিষ্ট্রিক্টকী তুংজোই ভিলেজ অমসুং নাগালেন্দগী ফেক দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খেসহাকেনৌ ভিলেজকী মরক্তা লমগী চয়েৎনবা অসি লৈরকখিবনি।

দি সী সোমোরজিৎ সলাম য়াওনা মণিপুর লৈঙাক্কী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

মতম কয়াগী মমাংদগী সেনাপটি

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা মিনিষ্টরশিংদা তুংজোই ভিলেজগী খুঞ্জাশিংনা চয়েৎনরিবা তুংজোইগী মফম অসিদা নাগালেন্দগী হোর্নবিল ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লনবা থৌরাং তৌরম্মী অমদি তুংজোই ভিজেলগী খুঞ্জাশিংনা মফম অদুদা য়ুংখিবা নুঙবী অমসু নাগালেন্দগী মীওইশিংনা থুগায়রম্লে হায়না পাউদমখি।

তুংদা মিনিষ্ট্রিএল টিম অদুনা চয়েৎনরিবা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা নাগালেন্দ গভর্ণমেন্টকী ওফিসলশিংগা ...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

BOOK ONLINE TODAY
BEST & AFFORDABLE CAB SERVICES IN MANIPUR
MANIPUR CAB SERVICE 24X7
Power by: IMPHAL FINANCE
For Booking
Dial:
1800-345-3838
8258070746
9402267525
Office Address: M.G. Avenue, MDU Building, 2nd Floor
HL-P/4095/9/10-8/11

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫